ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, মার্চ ০৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩২৬শুবা মশীং

# প্রাইম মিনিষ্টরদা টিকা থাখিবা

## মীয়ামগী পূক্নিংদা ফাওরিবা চিংনবা পূন্নমক কোকহনবা ঙমগদৌরিব্রা?

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস হেনগৎলকপা থেংনখ্রে। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা ষ্টেট তরুক - মহারাষ্ট্রা, কেরলা, পঞ্জাব, কর্ণাটাকা, টামিল নাদু অমসুং গুজরাটতা অনৌবা কেস কয়ামরুম হেনগৎলকখি। ইন্দিয়াদা নৌনা হেনগৎলকপা অপূনবা কেস মশীংগী চাদা ৮৭.২৫দি হায়রিবা ষ্টেট তরুক অসিদা হেনগৎলকপনি। সেন্টরনা অনৌবা কেস মশীং হেনগৎলকপা অমসুং এক্টিভ কেস য়ামখৎলকপা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগা পাউ ফাওনদুনা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হোৎনরি। ইন্দিয়াগী অপূনবা এক্টিভ কেস চাদা ৪৬.৩৯ মহারাষ্ট্রদা থেংনরি। চাদা ২৯.৪৯না কেরলাদা থেংনরি। মহারাষ্ট্রা, কেরলা অমসুং পঞ্জাবতা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা মী শিবগী থৌদোক থোক্লবসু টেলঙ্গনা, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান, অন্ধ্র প্রদেশ, বিহার, হিমাচল প্রদেশ, পুদুচেরি, অসাম, মণিপুর, সিকিম, মিজোরাম, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশ, ত্রিপুরা, লক্সদ্বিপ, মেঘালয়া, লদাখ, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ, উত্তরাখান্দ, দামন এন্দ দিয়ু অমদি দাদ্রা এন্দ নগর হবেলিদা মী শিবগী রিপোর্ট লৈত্রে। চৈরকসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী মতাংদা টিকা থাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরকপগা লোয়ননা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অহানবা দোজগী টিকা থাখ্রে। এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্কর, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (পি এম ও) জিটেন্দ্র সিংহ, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি সোম প্রকাশ, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমার অমদি ওরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনায়কসু অহানবা দোজগী ভেক্সিন কাপখ্রে।

অমরোমদা, বি জে পি মধ্য প্রদেশ য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা লোক সভাগী এম পি নন্দকুমার সিংহ চৌহান কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা বি জে পিগী লুচিংবা অসি সিটিগী হোস্পিটাল অমদা লায়েংদুনা লৈরকখিবনি। মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বদা ইন্দিয়ানা অনীশুবদা লৈবা মরম্না টিকা থাবগী থবক পায়খৎতুনা মখল কয়াগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। অদুবু অহুমশুবা তাঙ্কক্কী টিকা থাদুনা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবশিং অমসুং অতোপ্পা লায়নাগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবা মীওইশিং টিকা থাবা হৌখ্রবসু লৌনগনবা লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলি। লুরিবা ৱাফমদি টিকা থাখ্রবা মীওই কয়া খুদোংথিবা মায়োক্নরকপা নৎত্রগা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগী মতাংদনি। য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোক নৎত্রগসু টিকা থাখ্রবা মীওই খরা খুদোংথিবা মায়োক্নরকপগী পাউ হেক-হেক তাবা ফংলি। হন্দক্তসু মহারাষ্ট্রদা এম বি বি এস অরোইবা চহীদা তম্লিবা মহৈরোয় অমা ভেক্সিন (কোভিসিল্ড) গী অনীশুবা দোজ কাপখ্রবা মতুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা থেংনখি। মশাগী চহী ২১ শুরবা মহৈরোয় অদু ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা লাইহৌ হৌরকপদগী আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা সিওন হোস্পিটালগী দীন, ডা. মোহন জোশিনা হায়খি, টিকা থারবা মতুংদা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা থেংনরিবসিগী মরু ওইবা মরমদি হকচাংনা এন্টিবোদি পুথোক্তুনা ইম্মুনিতি শেমগৎপা ঙমদবদগীনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ভেক্সিনগী দোজ মপূং ফানা কাপ্লবসু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙম্লরোইদ্রা হায়না মীয়ামগী পূক্নিংদা চিংনবা ফাওহল্লে। তশেংনা হায়রবদা পুথোরক্লিবা ভেক্সিন অসিদা মীয়াম্না মপূং ফানা থাজবা থমদ্রে হায়বা য়াই। ফীভম অসিদা মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক টিকা থাখিবা ওইরম্বা য়াই। এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্কর, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (পি এম ও) জিটেন্দ্র সিংহ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সোম প্রকাশ, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমার, ওরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনাইক, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট জো বাইদেন, ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটন্যহু, ইন্দোনেসিয়াগী জোকো ৱিদোদো, পোপ ফ্রান্সিস, সাওদি অরাবিয়াগী নিংথৌ সলমান, ক্রাওন প্রিন্স মহম্মদ বিন সলমান, য়ুনাইটেদ কিংদমগী মহারানি এলিজাবেথ, প্রিন্স ফিলিপ, মোঙ্গোলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি মালদিভসকী প্রসিদেন্টনচিংবা মশক নাইবা লুচিংবা কয়া টিকা থাখিবসিনা মরম ওইরগা মীয়ামগী চিংনবা পূন্নমক কোকহনবা ঙম্বরা হায়বদু য়েংবা তাবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩

১) বাংলাদেশতা ফোঙবা অহানবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি করিনো, কনানা ইবনো?

২) কলকত্তাদা চৎতুনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ঈশৈ রেকোর্দ লৌরুবা শৈশকপদু কনানো?

৩) ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিগী এৱার্দফংখিবা মণিপুরী লাইরিক অদু কনানা ইবা, করি লাইরিক্নো?

৪) ভগবতি চরণ বর্মাগী ফাওরবা উপন্যাষ 'চিত্রলেখা' হায়বসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৫) "হয়ুম য়ানবা থৌদাংকোক/শীং চল্লকউ হায়রগা/ফৌ পুরকপা য়ানবা/নঙনা চাকপু হায়রগা/ফৌগাক চজিক নমথিবা/চাকপু শানা পীজগে।/নঙনা য়েঙ্খাং হায়রগা/লফু য়েনগং থুমনমদবী/য়েঙ্খাং শানা পীজগে।" মতেক অসি করি ঈশৈদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# বি পি লেক্তেত অমসুং গ্লুকোজনচিংবা ওনবা ঙম্বা উনশাদা নপ্পবা পেচ

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম



সেন্সর অমসুং টিসুশিংগী মরক্তা লৈবা মহী অমসুং হুমাংগী এঞ্জাইমেটিক কেমিকেল সেন্সরশিংগী লৈফম তাকপা

মী অমগী হকশেল ফনা থম্নবগীদমক দরকার ওইরিবশিংগী মনুংদা অমদি : মীদুগী ব্লদ প্রেসর, থম্মোয় খপ্পগী চাং অমসুং ঈদা য়াওবা বাইওকেমিকেল লেভেলশিং (খুদম ওইনা, গ্লুকোজগী চাং) বু চাং চানা থম্বা হায়বসিনি। মসিগীদমক, চাং নাইনা ওনবগী মথৌ তাই। অদুনা অখঙ-অহৈশিং, লায়েংশঙ নৎত্রগা ক্লিনিকেল লেব অমদা চাংয়েংশিং তৌরুবগী তঙাইফদবা লৈ। থবকসি পাঙথোক্নবা হোৎনবদা শেল চংই অমসুং মমল য়ামখ্রবা মতম মাঙই। অদুনা থিজিনবগী লম্দা মায় ওনশিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা, মী খুদিংমক্না লায়না বি পি ওনবা ঙম্বা দিজিটেল/ইলেক্ট্রোনিক্কী খূৎলায়; বি পি, থম্মোয় খপ্পগী চাং, মী অমনা নোংমদা তূমখিবগী চাং অমসুং মহাক্না থাংখিবা খোঙথাং মশীংনচিংবা ওনবা ঙম্বা স্মার্ট ৱাটচনচিংবা কয়া পুথোরক্লি। হন্দক্তা ফোঙদোরকখিবা 'নেচর বাইওমেদিকেল এঞ্জিনিয়রিং' (ফেব্রুৱারী ১৫, ২০২১) গী পাউদম অমনা উনশাদা নপশিনবা য়াবা থম্মোয়না থাদোরকপা সিগ্নেলশিং অমসুং বাইওকেমিকেল লেভেলশিং খঙবা ঙম্বা খূৎলায় অমসু পুথোরক্লে হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া (য়ু সী) সান দিয়াগোগী এঞ্জিনিয়রশিংনা অথোৎপা, চিংথোক-চিংশিন য়াবা ঙকশমদা নপ্লগা ব্লদ প্রেসর অমসুং থম্মোয় খপ্পগী চাং অদুগা গ্লুকোজ, লেক্তেত, য়ু অমসুং কেফিনগী চাং ওনবা ঙম্বা খূৎলায়সি পুথোকখিবনি। মসিনা কনাগুম্বা অমনা লায়েংশঙ লাপ্না লৈবা মীশিংদসু খুদোংচাবা পীরগনি হায়না য়ু সী সান দিয়াগোগী লু য়িন্না ফোঙদোক্লি। খূৎলায় অসিনা কোভিদ-১৯না শাথীনা নাহল্লবা অনাবশিংগী বি পি অমসুং গ্লুকোজগী চাংবু ঙাক্তুনা থম্বদসু য়াম্না মতেং ওইরগনি। অতোপ্পা অমরোমদনা, ইখঙ খঙহৌদনা বি পি হন্থহল্লকপগা লোয়ননা লেক্তেতকী চাং খঙহেন হেনগৎহল্লকপা 'সেপসিস' হায়রিবা লায়নাসিনা মী অমবু নাহল্লে হায়না খঙদোকপদসু য়াম্না কান্নবা পীরগনি হায়রি।

য়ু সী সান দিয়াগোগী উনশাদা নপশিনবা য়াবা পেচ অসি চিংথোক-চিংশিন য়াবা অপাবা পোলিমর অমনি। মসিদা ব্লদ প্রেসর ওন্নবা সেন্সর অমগা, কেমিকেল সেন্সর অনী : হুমাংদা য়াওরিবা লেক্তেত, কেফিন অমসুং য়ুগী চাং অদুগা টিস্যু অমসুং কয়াৎশিংগী মরক্তা লৈবা অহাঙবা মফমশিংদা য়াওরিবা গ্লুকোজগী চাং ওন্নবগা য়াওই। ব্লদ প্রেসরগী সেন্সর অসি পেচ অসিগী ময়ায় ওইরপ্না লৈ। মসিগী মনুংদা কন্দক্টিভ ইঙ্ক অমনা পেচ অদুদা নপশিনহল্লবা অপিকপা অলত্রাসাউন্দ ত্রান্সদ্যুসরশিংগী সেট অমা য়াওই। ত্রান্সদ্যুসরশিংদা ভোলটেজ অমা পীশিনবা মতমদা মখোয়না অলত্রাসাউন্দ ৱেভশিং হকচাং মনুংদা পীশিল্লকই। অলত্রাসাউন্দ ৱেভশিংনা অরটরি অমদা থেংলুরগা হন্দোরকপা মতমদা সেন্সর অদুনা খোন্থাং (ইকো) শিংদু লৌশিল্লি অদুগা সিগ্নেলশিংদুবু ব্লদ প্রেসর ওইনা ওন্থোকই।

কেমিকেল সেন্সরশিংদু কন্দক্টিভ ইঙ্ককী মতেংনা পেচ অদুদা স্ক্রিন প্রিন্টিং তৌরগা নপশিলহল্লবা ইলেক্ট্রোদ অনীনি। লেক্তেত, কেফিন অমসুং য়ুবু খঙবা ঙম্বা ইলেক্ট্রোদ অদুনা পেচ অদুগী য়েৎ থংবা নাকন্দা থম্মী; মসিনা পাইলোকার্পিন হায়রিবা হীদাকসি উনশাদা থাদোরক্তুনা হুমাং থোকহল্লি অদুগা হুমাংদা য়াওরিবা কেমিকেলশিংদু মশক খঙদোকই। গ্লুকোজবু খঙবা ঙম্বা অতোপ্পা ইলেক্ট্রোদ অদুনা ওই থংবা নাকন্দা থম্মী, মসিনা য়াম্না পিকপা ইলেক্ট্রিক করেন্ট অমা উনশাদা থাজিল্লগা টিস্যু অমসুং কয়াৎশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মহীশিংবু থাদোকহল্লকই অমসুং মদুদা য়াওরিবা গ্লুকোজগী চাংদু ওল্লি।

থিজিন-লূপ অসিনা ব্লদ প্রেসরখক্তা নত্তনা গ্লুকোজ, কেফিনগুম্বা পেরামিটরশিংসু ওল্লিবগী মরমদি : মীওইবগী ব্লদ প্রেসরসি নোংমগী মনুংদা মীদুনা তৌরিবা থবক, শাজেল অমসুং চারিবা চিঞ্জাক্কী মতুংইন্না অকা-অকুম নাই, হায়বদি য়ু থকপা, শাজেল তৌবা মতমদা ব্লদ প্রেসর হেনগৎলকপা য়াই। অদুনা হেনগৎলক্লিবা নৎত্রগা হন্থরক্লিবা ব্লদ প্রেসর অদু য়ু নৎত্রগা কেফিন থক্লুবগীনি নৎত্রগা শাজেল তৌরুবদগীনি হায়নসু খঙহনবা ঙমহল্লি। মসিনা মী অদুবু অরেম্বদা পাখৎহনবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা, ষ্টেস্নরি বাইসাইকল অমদা শাজেল তৌরিবা; চিনিগী চাং য়াম্না য়াওবা চাক্লেন চারিবা; য়ুদা য়াওবা মহীশিং থক্লিবা অমসুং কেফিন য়াম্না য়াওবা মহীশিং থক্লিবা মীশিংগী ঙকশমদা পেচ অদু নপহনখি। পেচ অসিনা ওল্লকপশিংদুগা হৌজিক তোয়না শীজিন্নরিবা ব্লদ প্রেসর কফ, ব্লদ লেক্তেত মিটর, গ্লুকোমিটর অমসুং ব্রেথেলাইজরগুম্বা খূৎলায়শিংনা ওল্লকপদুগা চাংদম্নবদা ইখেন খেন্নবা থেংনখিদে হায়না পাউদম অদুনা মখা তারি।

অসিগুম্বা পেচ অসি শেমগৎলকপা মতমদা থেংনখিবা অয়েৎ-অপন অমদি সেন্সরশিংগী সিগ্নেলশিংগী মরক্তা য়েৎশিন্নরকপা অসিনি। মসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক, ব্লদ প্রেসর সেন্সর অমসুং কেমিকেল সেন্সরশিংগী মরক্কী লাপ্নবগী চাংসি চপ চাবা চাংদা থম্বা তারম্মী। পেচ অসিনা হেক ঙম্বমখৈ পিক্লবদা, লাপ্নবসিনা সেন্টিমিটর অমা ওইবদা খ্বাইদগী ফবা মহয়শিং ফংলম্মী।

অতোপ্পা অমরোমদনা, থিজিন লূপ অসিনা কেমিকেল সেন্সরশিং অমসুং ব্লদ প্রেসর সেন্সর অনীগী মরক্তা পল অমা থম্বা তারম্মী। মরমদি ব্লদ প্রেসর ওনবদা হেন্না ফবা মহয় ফংনবগীদমক মহৌশানা মহী ওইবা অলত্রাসাউন্দ জেল শীজিন্নে। জেল অসিগা কেমিকেল সেন্সরশিংদা শীজিন্নরিবা হায়দ্রোজেলশিংগা থেংনখিবা তারবদি সেন্সরশিংগী মরক্তা য়েৎশিন্নবা সিগ্নেলশিং থোরকই। খুদোংচাদবসি লৈতনবগীদমক থিজিন-লূপ অসিনা মপং ওইবা অলত্রাসাউন্দ জেল শীজিন্নরম্মী। মতম অসিদা সেন্সরশিংনা পীরকপা মহয়শিংদা অকায়বা অমত্তা লৈরমদে।

মখা তারকপদা, থিজিন লূপ অসিনা পেচ অসিদা অহেনবা সেন্সরশিং হাপচিনবগী মতাংদা থিজিনবগী থবকসি পাঙথোকপা হৌখ্রে। সেন্সরশিং হাপচিনবতা নত্তনা, ব্লদ প্রেসর সেন্সরগী চাওবগী চাংসু হন্থহন্নবগী থবকসু পায়খৎলি। হৌজিক্কী ওইনদি, সেন্সরসি পৱার সোর্স অমদা শম্বগী মথৌ তাবগা লোয়ননা সেন্সরশিংনা ওল্লক্লিবশিংদু উৎননবগীদমক বেঞ্চ টোপ মেছিন অমগী মথৌসু তারি। লূপ অসিগী পান্দমদি পেচ অসি মপূং ফানা ৱায়ারলেস ওইহনবনি। ●

# অমেরিকাগী নুপীমচাশিংনা জিম্নাষ্টিক্তা মায় পাকপা হৌরকপা

\- লৈশাংথেম অজিৎ -




কুমজা ১৯৯৬তা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী জিম্নাষ্টিক্সতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নুপীমচাশিংনা রসিয়াগী নুপীমচাশিংবু টিমগী থৌরমদা মায়থীবা পীখিবা অসিনা অমেরিকানশিং অসি থৌরম অসিদা খুমাঙ চাওশিল্লকখিবগী মরমদি মতিক চাবা ওজাশিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা মশান্না অসি তন্বীবনা মরম ওইখি।

টিম কম্বাইন এক্সর্সাইজ হায়না খঙনরিবা নুপীগী জিম্নাষ্টিক্কী থৌরম অসি হোলেন্দ অমসুং জর্মনিগী নুপীমচাশিংনা অমুক অমুক চেম্পিয়ন ওইখ্রে। মরমদি থৌরম অসি কুমজা ১৯২৮ (অমষ্টর্দাম) অমসুং কুমজা ১৯৩৬ (বর্লিন) ওলিম্পিক খক্তদা য়াওহনখি। অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা কুমজা ১৯৪৮দা লন্দন সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতগী হৌনা কম্মুনিষ্ট লৈবাকশিংনা মশান্না অসিদা মাঙজিল থাদুনা লাকপদা লৈবাক খরখক্তং নত্তনা মখোয়বু লম্বা তৌবা ঙমদে হায়বা য়াই। ঐখোয়না নীংশিংবদা কুমজা ১৯২৮দা হোলেন্দগী কোনুং অমষ্টর্দামদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা লৈবাক অসিগী নুপীমচা তরানা শাবা জিম্নাষ্টিক্স টিম মরিদি জিয়ু ওইরম্মী। টিম অসিদা য়াওখিবী হেলেনা নোরয়েম জিয়ু নুপী জিম্নাষ্ট অমা নাজি পার্টিনা সোবিবোর কৌবা মফমদা কুমজা ১৯৪৩গী জুলাই ২দা মহাক্কী মপুরোয়বা অমসুং মচানুপীগা লোয়ননা গ্যাস চেম্বরদা হাৎখি।

টিম অদুগী মেম্বর জুদদিকজ সায়মোন কৌবী অমসু মচানুপা অমগা মচানুপী অমগা লোয়ননা সোবিবোরদা হাৎখি। টিম অদুদা শরুক য়াখিবী হিংদুনা লৈহৌরিবী অমত্তা ঙাইরবী জিয়ু নুপীদি ইলকা দি লীনি। অসিগুম্বা লাঞ্জাওগী মতমদা ওলিম্পিক গেমস লেপখি, গেমস অসি কুমজা ১৯৪৮দা অমুক হন্না লন্দন সহরদা পাঙথোকখিবদা জেকোসলোভাকিয়া অমসুং হঙ্গেরিনা টিমগী থৌরমদা মকোক মথং তাখি। লাঞ্জাও লোইরবা মতুংদা লৈবাক অনীমক কম্মুনিষ্ট লৈঙাক্কী মখাদা লৈখি। মরম অদুনা জিম্নাষ্টিক্কী শাফু য়াম্না কনখৎখি। নুপাশিংগী মায়কৈদা অনীশুবা লাঞ্জাও হেক লোইখিবদগী সোভিয়েট লৈবাক অমসুং জপান্না হীরম অসিদা মালেমগী লুচিংবা ওইরি।

অদুবু সোভিয়েট লৈবাক মচেৎ মচেৎ তানা কায়খ্রবা মতুংদা চাইনা অমসুং জপাননা খুমাঙ চাওখৎপা হেল্লকখি। চাইনাগী জিম্নাষ্টিক টিমনা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৮৪দা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা য়ু এস এগী মথংদা অনীশুবা তাখি। মথংগী ওলিম্পিক (১৯৮৮) তা মরিশুবা অমদি বারসেলোনা (১৯৯২) অমসুং অটলান্টা (১৯৯৬) তা অনীশুবা তাখি। অসিগুম্বা হোৎনবা কনবা অসিনা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা সিদনি (২০০০) গেমসতা লৈবাক অসিনা য়ুক্রেন, রসিয়া অমসুং জপানবু মথং মনাও নাইনা অনীশুবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবদা মায়থীবা পীখি।

টিম অসি কুমজা ২০০৪দা এথেন্স ওলিম্পিক্তা মঙাশুবা তাখি। এথেন্সতা ক্বালিফাই রাউন্দদা মখোয়বু অমেরিকাগী টিম্না পোইন্ট য়াম্না হেন্দুনা মায়থীবা পীখি। ওলিম্পিক্কী জিম্নাষ্টিক্কী থৌরম পাঙথোক্কদবা চয়োল অমখক্তা ঙাইরবা মতমদা হায় বার (হোরিজোন্টল বার) হায়না খঙনবা অসিগী থৌরম পাঙথোকপদা পোইন্ট পীবগী মওং অদু খরা হোংলে, হান্না পোইন্ট খরা য়াম্না পীবা রুটিন অদু খরা পিকথরে হায়না পাউদম্বদা শান্নরোয়শিংদু মথৱায় নুংঙাইখিদে। শান্নরোয়শিং অদুদি পান হেম, ব্লেয়ন ৱিলসন অমসুং ব্রেট মেক্লরনি। ব্লেয়র ৱিলসননা অথোয় অহেন তান্নবা অদুদা অনৌবা আইটেম (থৌরম) অদু পাঙথোকপদা মকোক্না লৈমায়দা থারিবা মোম্পাক অদুদা তাশিনখি। মহাক মথংগী থৌরম ফ্লোর এক্সর্সাইজদা পোইন্ট ৯৭০০ ফংখি। অদুবু মকোক ঙাওদুনা ওনীংলকপদগী অথোয় অহেন তান্নবা অদুদগী তোকখি।

টিম অসিদা হান্না ওলিম্পিক্কী মেদল ফংলবা শান্নরোয় অহুম য়াওরি। মখোয় অদুদি লাওয়া সুখারা, মহাক্কী মপা তাকেহিরো কাশিমা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন মঙারক ওইখি, কুমজা ২০০৩গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নদা পোমেল হোর্জতা অমসুং হায় বারদা মকোক ওইখিবা তাকেচিরো কাসিমা অমসুং ২০০৩গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ওল রাউন্দা অহুমশুবা মনা ফংখিবা হিরোয়ুকি তোমিতানি। ক্বালিফাইং রাউন্দদা জপানিজশিং অসিনা মকোক ওইখি, মখোয়গী মথংদা য়ু এস এ, রোমানিয়া অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন চাইনানি। য়ু এস এনা কম্পিটিসন হৌরকপা অদুদা ফ্লোর এক্সর্সাইজদা পোইন্ট ২৯.১৭ ফংদুনা মকোক্তা লৈখি। রোমানিয়ানা অনীশুবদা অমদি জপান অমদি খা কোরিয়ানা য়াম্না নক্লনা তান্নরম্মী। মমাঙগী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা চাইনানা তরেৎশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

টিম অসিনা পোমেল হোর্জতা মকোক ওইরবসু মঙাশুবা পোজিসন ফাওবদং কাখৎপা ঙমখি। অমেরিকা মচাশিংনা উচিন নাচিন্না রিংগী থৌরমদা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মমৈথংদদি জপান্না পোইন্ট হেনগৎলক্তুনা রোমানিয়া অমসুং য়ু এস এবু মায়থীবা পীনবা হোৎনরকখি। অরোইবগী 'ওল রাউন্দ' তান্নবগী থৌরমদি হোরাইজোন্টেল বারনি। মসিবু হায় বার হায়নসু খঙনৈ।

থৌরম অসিদা জপানগী ইসাও য়োনেদা অমসুং টেকাহিরো কাশিয়ানা মথংশিংনা পোইন্ট ৯.৭৮৭ অমসুং ৯.৮২৫ ফংখি। অদুবু মতম অসি ফাওবদা অপূনবা পোইন্টতা অমেরিকানা হেল্লিবা মরম্না জপানগী অহুমশুবা হিরোয়ুকি য়োমিতানা পোইন্ট ৮.৯৬৩ খক্তা ঙায়রম্মী। অদুবু হিরোয়ুকি য়োমিতানা নিংথিনা মহাক্কী মথৌ অদু পাঙথোক্তুনা পোইন্ট ৯.৮৫০ ফংদুনা জপান্না য়ু এস এদগী পোইন্ট ০.৮৮৮ হেন্দুনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।